# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 19-12-2024)

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌখিবা থা ১৯ লোম অসিদা থোক্লিবা পামদবা থৌদোকশিং অসিনা মনিপুরগী চাউখৎ থৌরাংদা খোঙজেল তপথহল্লি। অদুবু সরকার অমদি মীয়ামনা পুন্না হোৎনদুনা হৌজিক্তি তপা তপা ফিভম ফগৎলক্লি।

সেনাপতি জিলাগী পুনা-নামৈ খুলগী অসুফি রোভেনা গ্রাউন্দদা ঙরাং পাঙথোকখিবা রোবে-নানি ২০২৪ হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরক্তুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎতুনা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীয়াম, নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল অমদি মহেরোইগী লুপশিংগী থৌদাং চাউনা লৈ ।

শ্রী বিরেননা হায়- ইম্ফাল জিলাগী কৈকোলদা ফুরুপ খুদিংমক্কী ওইবা কৈথেল অমা শানবা থৌরাং তৌরি। মসিদা ফুরুপ খুদিংমক্কী স্তোলশিং থমগনি হায়নসু মখা তাখি।

রাজ্য অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং য়াওনা মতম কয়াগী মমাংদগী লৈরক্লবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগীদমক সরকার অসিনা তুংগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

**পুলিস (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চত্থবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দ ৱাথম লৈরক ক্রোসিংদগী কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা

নাইন এম.এম.পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থারতি টুগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু তরা, গাড়ি মচা অমা য়াওনা মোবাইল অমা ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রি পুখ্রি বজারদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী শেল য়াওনা দিমান্দ লেট্টর অমদি গাড়ি মচা অমা ফাগৎলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ককচিং জিলাগী বিজয়পুর মমাং লৈকাই অমদি মখা লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী নুপী অমা য়াওনা মীওই তরুক ফাগৎলে হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়াসু ফংখি।

অমরোমদা, সেনাপতি পুলিসনা জিলা অদুগী টি. খুল্লেন নাকা পোইন্টদগী লুপা লিশিং ৪৭ রোমগী ওইগদবা য়ুঙৌ লিটর ৪৭৪ ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু এক্সাসাইজ বিভাগতা শিন্নখ্রে।

সেনাপতিগী ফোরেষ্ট বিভাগ অমসুং মাওগী এস.দি.পি.ওগী অপুনবা খুৎপু অমনা ঙরাং সেনাপতি জিলাগী কজিং চিংশাংদা একর অহুমদা থারম্বা পোপী পাম্বী য়াহুৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

**হেলথ (এল) ঃ** রাজ্য অসিদা নুমিৎ খরনি অসিদা ইংবগী চাং হেনজিল্লকপা অসিগা লোয়ননা নীংথম থাগী মতমদা মীয়ামনা অনা অয়েক থোক্তনবা নেসনেল হেলথ মীসনগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: ৱাই. নেবেদানা হায়-মরুওইনা নীংথম থা লাকপা মতম অসিদা অঙাংশিং, অহল ওইরবশিং অমদি ৱাখলগী অনাবা লৈরবশিংনা হেন্না চেকশিনবীগদবনি। মীয়ামনা থোং থোংনাউ য়ামা পানদবা কাশিংদা মৈ হৌদুনা থম্বীরোইদবনি। নীংথম চংল্লকপা মতম অসিদা থুনা তুমগদবা চিঙ্গাকশিং চাবীগদবনি। হকচাং লুমা থম্বীগদবনি অমদি মচি ওইবা চিঙ্গাক চাদুনা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা হোৎননবসু মহাকা আপিল তৌরি।

**কেম্প (এল) ঃ** জগরতা অভিয়ান পাখৱরা মীসনগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নপেৎ পল্লিদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু এৱারনেসন কম এন.সি.দি. হেলথ স্ক্রিনিং অন্দর জগরতা অভিয়ান পাখৱরাগী মীসনগী মখাদা নন-কম্যুনিকেবল দিজিস সেল ইম্ফাল ইষ্টনা শিনবনি।

**মোদিঃ** মথং চহিগী জানুৱারী ২৫ দা ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী পরিক্ষ্যা পে চরচাগী ৮ শুবা এদিসনদা শরুক য়ানিংবা রাজ্য অসিগী মহৈরোইশিং, ওজাশিং, মমা-মপাশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পরিক্সা পে চরচাগী দিষ্ট্রিক্ট কো-ওর্দিনেটরদগী অকুপ্পা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**মংকিঃ** কেরলাদা মংকি পোক্সনা নাবা মীওই অমা নৌনা থেংনরে। মীওই অদু রাজ্য অসিগী কনুর জিলাদগীনি। মহাক য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটতগী ভারত্তা হল্লকখিবনি। লায়না অসি হান্নবা ৱায়ানাদ জিলাদা থেংনখ্রবনি।

রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি-বিনা জোর্জনা হায়-হৌজিক রাজ্য অসিদা মংকি পোক্সনা নাবা মীওই অনি শুরে। মখোয় অনিমক আইসোলেসন ৱার্ডতা থল্লি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-মীওই অনি অসিনা চৎলম্বা, মখোয়গা লোয়নরম্বশিং অথুবা মতমদা খঙদোকবা হোৎনরি। মখোয় অনিগা লোয়নরম্বশিংনসু অথুবা মতমদা হকশেল বিভাগতা খঙহল্লক্তুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা হোৎনমীন্নসি হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**ঙমখৈঃ** লৈবাক অসিগী নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দোবাল অমসুং চাইনাগী বিদেস মন্ত্রি-ৱাং য়িগা ঙরাং বৈজিংদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরীগী

মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম খন্নখ্রে।

স্পিসিএল রিপ্রজেন্টেটিবগী ২৩ শুবা মীফম অমুক হৌদুনা কাইলাস মনসরোবর যাত্রা, ক্রোস বোর্দর রিভর কোরপোরেসন অমসুং নথুলা বোর্ডর ত্রেদ  নৌনা অমুক চৎনদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগনি। লৈবাক অনিগী ইকোন কোনবা মীফম ২০১৯ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবনি। শ্রী দোবাল থা অসিগী ১৭ লৈবাক অদুদা থুংখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনা লৈবাক্তা মনিপুরদা তংদু লৈতাবা হনজিলহনবদা নাগা মীয়ামগী থৌদাং য়ামা চাউই হায়না চীফ মিনিস্তর নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-সি.এমনা সেনাপতিদা রোবভেনানি-২০২৪ হৌদোকখ্রে, ৱারোই পুরকপদা সেনাপতি মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাহন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-এম.পি.সি.সিনা রাজ ভবনদা থোমজিনখ্রে, মেমোরেন দম পীশিনখ্রে, মনিপুরদা অহোংবা অমত্তা উদ্রি, শান্তি পুরকবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সিটি পুলিসকী দ্রাইবতা আই.এল.পি. পায়রমদবা নোন মনিপুরি তরুক ফাদুনা লুপা লিশিং তরুক-তরুক ফাইন থিহনখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

পোকফমদা-মনিপুরগী লাল অসি লোয়শিনগে হায়রবদি সেকেন্দ ১০ দা

অদুম্মক লোয়শিনবা য়াই হায়না কংগ্রেসকী দিপ্যুতি লিদর-কে. রঞ্জিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-অম্বেদকরবু অমিত সাহনা করেমখিবদা কংগ্রেসনা মৈ হৌনা শাওখ্রে, অমিত সাহ য়ুনিয়ন কেবিনেটতগী লৌথোকউ হায়দুনা মতম থাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-চীফ মিনিস্তরনা নাগাগী সি.এস.ওশিংদা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লকপদা মতেং পাংবীনবা হায়খিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-মনিপুরদা কুকি লো কাউন্সিল অমসুং লমকা দিষ্ট্রিক্ট কৌবা লৈতে, মপানগী ওর্গনাইজেসন ওইগনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মোরনিং বেলদনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রাজ ভবনগী মমাংদা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-এম.পি.সি.সিগী লুচিংবশিংগা গভরনরগা উন্নখিবা অমদি রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা ৱারোইশিন অমা পুবীরকউ হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরগী চীফ মিনিস্তরনা নাগাগী সি.এস.ওশিংনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা মতেং পাংবীয়ু হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-কুকি জো হায়বা লুপ অমত্তা লৈতে। মীয়ামনা মসিদা হেন্না পুকিং চিংশিল্লোইদবনি হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।